# য়ু এসকী অনৌবা সেঙ্কসনশিংনা কান্নবা করিসু পুরক্লোই : নোর্থ কোরিয়া



ৱাশিংটন, মার্চ ১ (এজেন্সি): নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় প্রোগ্রামগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থন্বদা কৈদৌঙৈদসু কান্নবা পুরক্লোই হায়না পিয়োংচাংনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী দিসার্মামেন্ট ফোরম অমদা হায়খ্রে। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অঙন্বা প্রেসর পীনবা চথখিবা কেম্পেনদা থৌশাদবা উঙখিবা মতুংদা প্যোংয়াংনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অথিংবা কয়া থন্বা অমসুং প্রেসর পীবনা কৈদৌঙৈদসু নোর্থ কোরিয়াবু কিহনবা ঙল্লোই অমসুং অসিগুম্বা থৌওংশিং মায় পাক্লোই হায়বসি য়ু এসনা খঙজগদবনি হায়না জিনেভাদা চথবা য়ু এন কনফরেন্স দিসার্মামেন্ট প্যোংয়াংগী পাউখোলোই হান টে সোংনা ফোঙদোকখি। ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা খ্বায়দগী কনবা অথিংবা খরা লাউথোকখিবা মতুংদা প্যোংয়াংনা কম্মেন্টশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

প্যোংয়াংনা করিসু লৈতনা হায়জরবসু ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্নদি অনৌবা সেঙ্কসনশিং অদুনা নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিক শিজিন্নরিবা সিপ পুম্নবক তার্গেট তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি। য়েংথীনবা কাঙবুশিংগী য়েৎনফম ওইরিবা জিনেভাগী দিসার্মামেন্ট বোদি অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী দিপ্লোমেটশিং য়ু এসকী ওফিসলশিংগা হঞ্জিন হঞ্জিন মুক্নখি। করিগুম্বা য়ু এসনা কোরিয়া মশেলগী মরী ফগৎনবা হোৎনরিবসিবু থৌশাদদুনা কায়হৌবা অমসুং মুক্নবনা হেন্না পান্বা ওইরবদি দি পি আর কেনা শোয়দনা মদুগী পাউখুম পীগনি হায়না হান্না দেমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী এক্রোনিম অমা শিজিন্নরদুনা হায়খি। সাউথকী সিটি পিয়োংচাংদা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা ‘পিছ ওলিম্পিক্স’ তা সিওল অমসুং প্যোংয়াংগী মরক্তা টেন্সন হন্দনবগী ফিভম উখ্রবসু ট্রম্পনা নোর্থকী মায়োক্তা মখা তানা প্রেসর পীনবা হোৎনরকখিবনি। মহাক্না চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা খ্বাইদগী নৌবা সেঙ্কসনশিং অসিনা মায় পাক্তবা তারবদি ঐখোয়না অনীশুবা ফেজ খল্লকপা য়াই। অনীশুবা ফেজ হায়বসি য়াম্না কনবা পোৎশক অমা ওইবা য়াই। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াবু কৈদৌঙৈদসু ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈবা লৈবাক অমা ওইহনবা পামদে হায়বা ৱাফম ৱাশিংটনগী দিসার্মামেন্ট অম্বেসেদরনা হৌখিবা লৈবাকপোকপদা নৌহৌননা পনখি। চৈরকসিদা নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা য়ুমশকৈশদা জপানিজ ওথোরিটিশিংবু জপানদা লৈবা প্যোংয়াংবু শৌগৎপা কোরিয়নশিংবু মওং কয়াদা নমথনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখ্রে। ওফিসল রোদোং সিনবুননা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা জপানগী খূৎলায় পায়বা রাইট ৱিং এলিমেন্টশিংনা জপানদা লৈবা কোরিয়নশিংগী সেন্ট্রেল হোল ওফ দ জেনরেল এসোসিএসনগী মায়োক্তা এটেক চথখিবদুনা জপানিজ ওথোরিটিশিংনা নোর্থ কোরিয়া অমসুং কোরিয়ন এসোসিএসন অসিবু জপানগী লৈমায়দগী লৌথোকখিনবা হোৎনরে।

# হ্বাইট হাউসকী কম্যুনিকেসন দিরেক্টর মফম থাদোক্লগনি

ৱাশিংটন, মার্চ ১ (এজেন্সি): য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী খ্বাইদগী থাজবা তেংবাংলোয় শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মতম শাংনা হ্বাইট হাউসকী কম্যুনিকেসন্স দিরেক্টর ওইরক্লবা হোপ হিক্স মফম থাদোক্লগনি হায়রি। কুমজা ২০১৬ কী য়ু এস প্রসিদেন্টগী মীখলদা রসিয়ানা খূৎ থিংজিনখি হায়বা ৱাথোক্কী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস ইন্টেলিজেন্স কম্মিটিনা পুং মাপন চুপ্পা চথবা ক্লোজ হিয়রিংদা হিক্স, চহি ২৯, না শরুক য়াখিবা মতুংদা হ্বাইট হাউসনা মহাক্কী রেজিগনেসনগী ৱাফম লাউথোকখি।

হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সমেন সারাহ সেন্দর্সনা ফোঙদোকখি মদুদি, হিক্সনা মফম থাদোক্লিবসি হিয়রিংদা য়াওখিবগা মরী লৈনদে। মীখলগী কেম্পেন মনুংদা ট্রম্পকী স্পোক্সপর্সন ওইখিবী হিক্সনা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরমদা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীখিদে, তৌইগুম্বসুং মহাক্না কেম্পেনদা য়াওখিবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমসু পীখি। হিক্সনা মফম থাদোকপগী চপ চাবা মতম খঙদ্রি, তৌইগুম্বসুং মথংগী চয়োল খরগী মনুংদা থোক্লবা য়াই হায়রি। হিক্স অসি হান্নগী হ্বাইট হাউসকী ষ্টাফ সেক্রেটরি বোব পোর্টরগা মরী লৈনবগী ৱাহৌদগী ৱাথোক অমা মায়োক্লরকখিবনি।

বোবকী হান্নগী লোয়নবী অনিনা মঙোন্দা মখোয়বু ওৎ-নৈ হায়না মরাল শীরকখিবা মতমদা হিক্সনা মদুবু দিফেন্দ তৌখি। মমৈথংদা পোর্টরবু নমফুদা মফম থাদোকহনখি। মতম অমদা ট্রম্পকী মচানুপী ইভানকা ট্রম্পকী তেংবাংলোয় ওইরম্বী অমসুং হান্না পোলিটিক্সকী এক্সপেরিয়েন্স অমত্তা লৈরক্তবী হিক্সপু ন্যু য়োর্ককী বিজনেসমেন ট্রম্পনা প্রসিদেন্সিগী কেম্পেন হৌবা মতমদা মহাক্কী তেংবাংলোয় হাপখি। ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, মহাক্না প্রসিদেন্টগী মনাক্তা চঙলগা হ্বাউট হাউস থাদোক্লগা অতৈ অতৈ খুদোংচাবা খরা য়েংনিংবগী অপান্বা ফোঙদোকখি।



# ব্রেক্সিটনা হটেনবু মচেৎ তাহনবা য়ারোই : পি এম টেরেসা মে



লন্দন, মার্চ ১ (এজেন্সি):

নোরদর্ন আইরলেন্দ অমসুং য়ুন্নোন্নবা আইরিশ রিপব্লিক্কী মরক্তা ব্রেক্সিটকী বোর্দর অমা লৈহল্লকপা য়াবা থৌরাং খুদিংমক বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ঙরাং হাউস ওফ কম্মন্সতা চয়োলগী ওইনা পাঙথোকপা ৱাহং পাউহংগী মতমদা এম পিশিংনা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা হায়খি মদুদি, বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তনা বৃটিনগী শরুকশিংবু মচেৎ তাহনগদবা মওংদা বোর্দর শেমহল্লক্কদবা ব্রেক্সিটকী ট্রিটি অমত্তা ঙল্লোই। নোরদর্ন আইরলেন্দ দেমোক্রেটিক য়ুনিয়নিষ্ট পার্টি ( দি য়ু পি) গী এমপি দেভিদ সিম্পসননা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীদুনা মেনা হায়খি, বোর্দরগী ৱাফমগী মতাংদা মহাক্না হান্না ফোঙ-দোকখিবা ৱাফমশিং মহাক্না ঙাক্কনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মেনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, য়ুরোপিয়ন কম্মিসননা ফোঙখিবা ড্রাফট লিগেল টেক্স অদু থবক্তা ওন্থোকপা তারবদি আইরিশ সিদা কষ্টমস অমসুং রেগ্যুলেটরি বোর্দর অমা শেম্বদুনা বৃটেনগী কন্সটিট্যুস্নেল ইন্টিগ্রিটিদা অকায়বা পীগনি। য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তনা মদু উবা পাল্লোই। ঐহাক্না য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট জন-ক্লোদ জঙ্কর অমসুং অতৈদা ঐখোয়না মদু শুংতৌ তৌরোই হায়না নাখৈ শেংনা হায়গনি হায়না মখা তাখি। নোরদর্ন আইৱলেন্দ অমসুং আইৱলেন্দগী মরক্তা বোর্দর লৈহন্দবা হায়বসি ঐখোয়গী থৌদাং অমনি। দিসেম্বরগী টেক্সট অদুদসু ঙসি লৈরিবসিগুম্না নোরদর্ন আইরলেন্দ অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী অতৈ লেমহৌরিবা শরুকশিংগা মখা তানা লল্লোন ইতিক তৌনগদবনি হায়না শেংনা পল্লি।

# ট্রম্পনা রি-ইলেক্সন কেম্পেনগী মেনেজরগী মিং লাউথোকখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ১ (এজেন্সি):

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হান্নগী দিজিটেল এদভাইজর ব্রাদ পার্সকেলবু ২০১৩ গী মহাক্কী রি-ইলেক্সন কেম্পেনগী কেম্পেন মেনেজর ওইহল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

ট্রম্প কেম্পেনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০২০ গী প্রসিদেন্টগী মীখলদা ট্রম্পনা অমুক হন্না মীরেপ ওইনা চোংথোক্কদৌরিবসিগী এদভান্স প্লান্নিংগী থবক পার্সকেলনা লুচিংগনি। কেম্পেন অসিনা ২০১৮ গী মরক্কী মীখলসু য়েংশিনগনি। মরক্কী মীখল অসিদা রিপব্লিকানশিংনা অচৌবা শিংনবা অমা মায়োক্লগদৌরি হৌজিক ফাওবগী ফিভম অসিদা ট্রম্পনা রি-ইলেক্সনদা মিৎয়েং থল্লী হায়বসি চীংননিঙাই ওইদ্রে হায়রি। ট্রম্পনা প্রসিদেন্টগী থবক পাইনবা ৱাশক লৌখিবা নুমীৎমক্তাদা মহক্কী রি-ইলেক্সন কম্মিটি লাংবা হৌনবা চে-চাং ফাইলিং হৌখি। মহাক্কী অহানবা রি-ইলেক্সন কেম্পেনগী রেলিসু ফ্লোরিদাদা পাঙথোকখি। মদুদা মহাক্না লাক্কদৌরিবা দেমোক্রেটিক চেলেঞ্জরশিং মনা মনা ওইগদগে হায়না হংখি।

ওষ্টিনদা বেজ তৌবা দিজিটেল কন্সলটেন্ট অমসুং ট্রম্পকী মমাকনুপা অমসুং সিনিয়র এদভাইজর জরেদ কশ্নরগী সিনিয়র এদভাইজর অমা ওইরিবা পার্সকেলনা কুমজা ২০১৬ তা ট্রম্পকী কেম্পেনগী দিজিটেল ওপরেসন্স শিন-লাংখি। মহাক হান্নসু ট্রম্পকী ওর্গনাইজেসন্দা থবক তৌখ্রে। হৌখিবা চহীদা সি বি এসকী মিনিট ৬০ গী ইন্টরভ্যু অমদা পার্সকেলনা করম্না মীওই ১০০ চাওখৎলকখিবা টিম অমনা ফেসবুকতা নুংতিগী এদভর্টিজমেন্ট ৫০,০০০ দগী ৬০,০০০ ফাওবা শেমশদুনা য়াম্লবা সপোর্টরশিংদা য়ৌহনখিবগে অমসুং ওনলাইনগী খূৎথাংদা দোনেসনশিং খোমখিবগে হায়বগী মতাংদা পনখি। কেম্পেনদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লীবা প্রসিদেন্টগী মচানুপা য়াইমা ইরিক ট্রম্পনা হায়খি, পার্সকেল অসি ঐখোয়গী ইমুংনা মপুং ফানা থাজবা থম্বা মীশকনি অমসুং রি-ইলেক্সন কেম্পেন পানবদা খ্বাইদগী হেন্না মতিক চারবা মীশক্নি।



# য়ু এস সিনেটনা টাইৱানগা মরী ফগৎনবগী বিল পাস তৌখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ১ (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস সিনেটনা ঙসি য়ু এস-টাইৱানগী মরী ফগৎহন্নবগী বিল অমা পাস তৌখ্রে। অমরোমদা লেজিসলেসন অদুনা চাইনাবু খোইরাং খোইশাওহনবা য়াই হায়রি।

থাক খূদিংমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং টাইৱানগী মরক্তা অমগা অমগা ওফিসল খোঙচৎ কয়া চৎনবগী ফিভম পূক্নিং থৌগৎনবগী পান্দমদা পুথোকখিবা টাইৱান ট্রাভেল এক্ট অদু হাউসনা মোত অমতা ওইনা পাস তৌখি। মদু হৌখিবা জন্যুৱারিদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা পাস তৌখ্রবনি।

অৱাংবা থাক্কী টাইৱানগী ওফিসলশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙবা য়াহনবা, য়ু এসকী ওফিসলশিং উনহনবা অমসুং লৈবাক অসিদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা থাক খূদিংমক্তা ৱারী শানহনবা হায়বসি য়ু এসকী পোলিসি ওইগদবনি হায়না এক্ট অদুদা পনখি।

হৌজিক এক্ট অদু লো ওন্নবগীদমক্তা শুপ্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী সিগনেচর ঙাইরি। বিল অসি হাউসনা মোত অমতা ওইনা পাস তৌখিবা মরম্না প্রসিদেন্টকী অয়াবা পীবদা থোইদোক্না অপনবা লৈরোই হায়না থাজনরি। ৱাশিংটননা হৌখিবা কুমজা ১৯৭৯ দা টাইৱানগা হৌনবী মতুং ইন্না ডিপ্লোমেটিক মরী তৎনখি অমসুং বৈজিংদা লৈরিবা কম্যুনিষ্ট মপূং লমগী লৈঙাকপশিংবু ‘ৱান চাইনা’ গী অমতা ঙাইরবা গভর্নমেন্ট ওইনা শকখঙখি। তৌইগুম্বসুং ১৯৭৮ গী টাইৱান রিলেসন এক্টকী মতুং ইন্না ৱাশিংটননা ঈথৎ অসিগা চপ চানা ফোঙদোক্তবা মওংগী মরী অমা থম্নরকখি অমসুং টাইপৈগা লল্লোন ইতিক্কী মরী থম্নবগা লোয়ননা খূৎশু-খূৎলায় কয়াসু য়োনশিনখি।



সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
सेन्ट्रल बैंक ऑफ़ इंडिया
Central Bank of India
1911 से आपके लिए ''केंद्रित'' "CENTRAL" TO YOU SINCE 1911

## ঈ-ওক্সনদা য়োনবগী নোটিস

রিজনেল ওফিস, ৩শুবা ফ্লোর, সেন্ট্রেল বেঙ্ক বিল্ডিং, ভাঙ্গাগড়, গুৱাহাটি-৫

**ঈ-ওক্সন তৌবগী তারিখ-২১/০৩/২০১৮**

**ঈ-ওক্সনদা ইম্মোভেবল প্রোপর্টি য়োন্নবগীদমক মীয়ামদা খঙহঞ্জবা**

(এসএআরএফএঈএসআই এক্ট, ২০০২গী সে. ১৩ (৪) গা লোয়ননা পাগদবা সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২গী রুল ৮ (৬) গী সেক্সন মখাদা)

| | |
|---|---|
| ১। বোরোৱর/গরেন্টরগী মিং **ইম্ফাল ব্রাঞ্চ** | **১। এম/এস সঙাই পোলট্রি ফার্ম (বোরোৱর)** **২। মিষ্টর হাওবিজম জয় সিংহ (প্রোপ্রাইটর), অপোকপা ঐচ ইবোহল সিংহ** **৩। কে ঐচ ইবোয়াইমা সিংহ (গরেন্টর), অপোকপা কে ঐচ তোমাল সিংহ** **৪। এম প্রফুল্লা সিংহ (গরেন্টর), অপোকপা (এল) এম নিমাই সিংহ** |
| নোটিস ১৩ (২) গী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ২৭.০৫.২০১২ লুপা ২৫,১১,২৭২.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |
| সে. ১৩ (৪) গী মখাদা থোকপা পোসেসন নোটিসকী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ২৭.০৫.২০১৪, লুপা ৩১,৩৮,৭০১.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |

**ইম্মোভেবল প্রোপর্টিশিংগী মওং মতৌ**

হাওবিজম জয় সিংহগী মিংদা লৈবা পাট্টা নম্বর ৪২২/৯৫৫ (অনৌবা) ২৩/৩১০ (অরিবা) দাগ নম্বর ১০৫৪/১৭৯৫ না কোনবা একর ০.৬২ পাক-চাওবা রেভিন্যু ভিলেজ নম্বর ২৩-মাইবম, সব ডিভিজন: নম্বোল, ডিষ্ট্রিক্টনা বিষ্ণুপুরদা লৈবা **অৱাংদা** - কে ইবোয়াইমা সিংহগী লম, **খাদা** - কে নোবো সিংহগী লম, **নোংপোক্তা** - টিদ্দিম রোদ অমসুং **নোংচুপ্তা** - কে নোবো সিংহগী লমনা কোয়শিনবা লমগী ঈ এম।

| রিজর্ভ মমল | ঈ এম দি | বিদ ইনক্রিমেন্ট এমাউন্ট |
|---|---|---|
| লুপা ৪৬,৮৩,০০০/- | লুপা ৪,৬৮,৩০০/- | লুপা ২০,০০০/- |

| | |
|---|---|
| ২। বোরোৱর/গরেন্টরগী মিং **ইম্ফাল ব্রাঞ্চ** | **১। এম/এস নন্দলান ইন্টরপ্রাইজেস** (বোরোৱর), **২। শ্রী লাইশ্রম নন্দলাল সিংহ (প্রোপ্রাইটর)** **৩। মিসেস লাইশ্রম মনোরমা দেবী (গরেন্টর)** |
| নেটিস ১৩ (২) গী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ০৩.০৪.২০১৭, লুপা ১১,০৪,৫৬৮.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |
| সে. ১৩ (৪) গী মখাদা থোকপা পোজেসন নোটিসকী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ১১.০৭.২০১৭, লুপা ১১,১৭,৬৭৬.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |

**ইম্মোভেবল প্রোপর্টিশিংগী মওং মতৌ**

শ্রী লাইশ্রম নন্দলাল সিংহগী মিংদা লৈবা দাগ নম্বর ৮৫/৫৩০, ৫৩০ না কোনবা পাট্টা নম্বর ৪৯/৪৬১ (অরিবা পাট্টা নম্বর ৪৯/১৪৭/৭২) ওইবা ভিলেজ নম্বর ৪৯ ভৈগ্যবতি লৈকাই, ডিষ্ট্রিক্ট ইম্ফাল ইষ্ট, মণিপুরদা লৈবা একর ০.০৫৫ পাক-চাওবা **অৱাংদা** - অধিকারিময়ুম ইবোপিশক শর্মগী ইঙ্খোল, **খাদা** - লাইশ্রম অমু সিংহগী ইঙ্খোল, **নোংপোক্তা** - লাইশ্রম ইবোহনবী সিংহগী ইঙ্খোল অমসুং **নোংচুপ্তা** - কাঙাবম দিলিপ সিংহগী ইঙ্খোলনা কোয়শিনবা লমগী ঈ এম।

| রিজর্ভ মমল | ঈ এম দি | বিদ ইনক্রিমেন্ট এমাউন্ট |
|---|---|---|
| লুপা ১৬,১৮,০০০/- | লুপা ১,৬১,৮০০/- | লুপা ২০,০০০/- |

| | |
|---|---|
| ৩। বোরোৱর/গরেন্টরগী মিং **পাউনা বজার ব্রাঞ্চ** | **১। এম/এস এস.আই সন্স এন্দ সিমেন্টস** (বোরোৱর) **২। সাইরেম ইনাও সিংহ** (প্রোপ্রাইটর) **৩। সাইরেম থেঙ্গ্রা মীতৈ** (গরেন্টর) |
| নেটিস ১৩ (২) গী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ২০.০৮.২০১৬, লুপা ২৬,২৭,৬৭৬.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |
| সে. ১৩ (৪) গী মখাদা থোকপা পোজেসন নোটিসকী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ১০.০৭.২০১৭, লুপা ৩০,৬৬,৯১৬.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |

**ইম্মোভেবল প্রোপর্টিশিংগী মওং মতৌ**

পাট্টা নম্বর ১৭৪ (অরিবা) গী মখাদা সী এস দাগ নম্বর ১৪৯৬/২০৩৯ না কোনবা অনৌবা পাট্টা নম্বর ৫৮২/১৩৬৮ (অনৌবা) ওইবা রেভিন্যু ভিলেজ নম্বর ৭৮ চঙাঙ্গৈ, পাৎশোই টেহসিল, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুরদা সাইরেম ইনাও মৈতৈগী মিংদা লৈবা **অৱাংদা** - ইন্টর ভিলেজ লম্বী, **খাদা** - শ্রী নোংথোম্বম নিপামচা সিংহগী ইঙ্খোল, **নোংপোক্তা** - মুতুম গোগেন্দ্রো সিংহগী ইঙ্খোল অমসুং **নোংচুপ্তা** - শ্রী থাংজম পাচা সিংহগী ইঙ্খোলনা কোয়শিনবা একর ০.০৮০ পাক-চাওবা ইঙ্খোলগী ঈ এম।

| রিজর্ভ মমল | ঈ এম দি | বিদ ইনক্রিমেন্ট এমাউন্ট |
|---|---|---|
| লুপা ৩০,১৫,০০০/- | লুপা ৩,০১,৫০০/- | লুপা ২০,০০০/- |

**ঈ-ওক্সন ৱেবসাইটকী মমিং** - https://centralbank.auctiontiger.net/
**ঈ-ওক্সনগী তারিখ অমসুং মতম :** ২১/০৩/২০১৮, নুংথিল পুং ১.০০ দগী পুং ২.০০ ফাওবা, য়োনবা লোইদ্রিফাওবা মিনিট ৫ গী মতম মথন্তা শাংদোক্কনি।
**ঈ এম দি রিমিটেন্স একাউন্ট দিটেলস :** এ/সী নম্বর : ৩০০৮৯২৯১০৩, এ/সীগী মমিং : রিজনেল ওফিস গুৱাহাটি এক্সপেন্সেস এ/সী, বেনিফিসরিগী মমিং : সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, IFSC কোদ: সী বি আই এন ০২৮৩২২৯
**বিদ্দরশিংগী ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন অমসুং ঈ এম দি রিমিটেন্সকী অরোইবা তারিখ : ১৯/০৩/২০১৮ নুংথিলগী পুং ৪:০০ ফাওবা**

**ঈ-ওক্সনগী টার্মশিং অমসুং কন্দিসনশিং**

১. ঈ-ওক্সন অসি **''লৈরিবা পোৎশক্তুমক য়োনবদা লৈবা''** অমসুং **''লৈরিবা ফীভমদা পোৎ য়োনবা অমসুং লৈবা''** গী মওংদা য়ুন্ফম ওই।
২. ওথোরাইজ ওফিসরনা খঙবা অমসুং ফংবা ইনর্ফোমেসনগী মতুং ইন্না প্রোপর্টিদা ইনকমব্রেন্স অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক বিদ্দর ওইনিংবশিংনা প্রোপর্টিশিংগী ইনকমব্রেন্সশিং, টাইটলগা মরী লৈননা লন্নাই ইন ক্বারি তৌজবা অমসুং মশা মশানা পেন্নবা য়েংজবা য়াই।
৩. মায় পাক্লবা বিদ্দর ওইরে হায়না লাউথোক্লবা মীশক অদুনা অসুম্না লাউথোকপগী **পুং ২৪ গী মনুংদা** মহাক্না লৈবগী শেনফম (ঈ এম দিগী শেনফম কক্লগা) অদুগী চাদা কুন্দমঙা (২৫%) এন ঈ এফ টি/আর টি জি এস/দি দি/কেসকী খুথাংদা মথক্কী এ/সিদা দিপোজিট তৌগদবনি অমসুং **অসিগুম্বা দিপোজিটসি তৌদ্রবদি, সেলদু কেন্সেল তৌগনি অমসুং ঈ এম দি মৎকনি।** লৈবগী শেনফমগী ৱাৎহৌরিবা এমাউন্ট (৭৫%) অদু মায় পাক্লবা পর্চেজর অদুনা প্রোপর্টি য়োনবা তারিখতগী অসিগুম্বা নুমিৎ থাদনা ১৫ নিশুবা নুমিৎতা নৎত্রগা মমাঙদা পীগদবনি। **অপীবা মতমগী মনুংদা পেমেন্ট তৌদ্রবদি,** মায় পাক্লবা বিদ্দরনা দিপোজিট তৌবা ঈ এম দি/এমাউন্ট মৎকনি অমসুং প্রোপর্টি অদু অনৌবা সেল নোটিস থোক্লগা অমুক হন্না য়োনগনি।
৪. ঈ এম দি দিপোজিট তৌখ্রবা অমসুং লোগিন আই দি অমসুং পাসৱার্দ শেম্বা, দাটা অপলোদ তৌবা, বিদ সবমিট তৌবা, ঈ-বিদ্দিং প্রোসেসকী ট্রেনিং অসিনচিংবগী মতেং চঙগদবা বিদ্দরশিংনা এম/এস ঈ-প্রোক্যুরমেন্ট টেক্নোলোজিজ লিমিটেদ হেল্পলাইন নম্বর ০৭৯-৪১০৭২৪০৮/০৯/১০ হেল্পলাইন মেল আই দি - **assam@auctiontiger.net** নৎত্রগা শ্রী কে রাজু মোবাইল নম্বর ০৯০০২৭১৫০৩৪ দা কন্টেক্ট তৌবা য়াই অমসুং প্রোপর্টিগা মরী লৈননা ৱাহং হংনিংলবদি চীফ মেনেজর কম ওথোরাইজ ওফিসর, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, মোবাইল নম্বর ০৮৭৯৪৭৪১৬৮০ ঈ-মেল আই দি **bmguwa1680@centralbank.co.in** দা থবক তৌবা নুমিৎশিংগী ওফিসকী মতম মনুংদা ১৯/০৩/২০১৮ দা নৎত্রগা মমাঙদা কন্টেক্ট তৌবা য়াই (**অকুপ্পা টার্মস এন্দ কন্দিসন্সকীদমক্তা ৱেবসাইট https://centralbank.auctiontiger.net/** তা য়েংবীয়ু)

**তারিখ অমসুং মফম : ০১/০৩/২০১৮, ইম্ফাল,** **ওথোরাইজ ওফিসর, সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া**

সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
सेन्ट्रल बैंक ऑफ़ इंडिया
Central Bank of India
1911 से आपके लिए ''केंद्रित'' "CENTRAL" TO YOU SINCE 1911

## ঈ-ওক্সনদা য়োনবগী নোটিস

রিজনেল ওফিস, ৩শুবা ফ্লোর, সেন্ট্রেল বেঙ্ক বিল্ডিং, ভাঙ্গাগড়, গুৱাহাটি-৫

**ঈ-ওক্সন তৌবগী তারিখ-০৭/০৪/২০১৮**

**ঈ-ওক্সনদা ইম্মোভেবল প্রোপর্টি য়োন্নবগীদমক মীয়ামদা খঙহঞ্জবা**

(এসএআরএফএঈএসআই এক্ট, ২০০২গী সে. ১৩ (৪) গা লোয়ননা পাগদবা সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২গী রুল ৮ (৬) গী সেক্সন মখাদা)

| | |
|---|---|
| ১। বোরোৱর/গরেন্টরগী মিং **পাউনা বজার ব্রাঞ্চ** | **১। এম/এস আর কে বেসিক ফূদ** (বোরোৱর) **২। আর কে সনাজাওবা সিংহ** (প্রোপ্রাইটর) |
| নোটিস ১৩ (২) গী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ২৪.১২.২০১৩ লুপা ১২,৮৮,৯২৪.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |
| সে. ১৩ (৪) গী মখাদা থোকপা পোসেসন নোটিসকী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | ২৭.০৫.২০১৪, লুপা ১২,৯৮,৮০৭.০০ তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইনসিদেন্টেল চার্জশিংগা লোয়ননা |

**ইম্মোভেবল প্রোপর্টিশিংগী মওং মতৌ**

সী এস দাগ নম্বর ৫৩৬/৮৭৭ না কোনবা পাট্টা নম্বর ৬৪/১৮১ (পি টি) (অরিবা); ৩৮৩/৭২৯ (অনৌবা) ওইবা আর কে সনাজাওবা সিংহগী মিংদা ককৱা নাওরেম লৈকাই, পি. ও./পি. এস. শিংজমৈ, ডিষ্ট্রিক্ট ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর - ৭৯৫০০৮ দা লৈবা **অৱাংদা** - থোঙাম রতন সিংহগী লম, **খাদা** - থোঙাম বিজয় সিংহগী লম, **নোংপোক্তা** - নেসনল হায়ৱে ৩৯ গী লম, **নোংচুপ্তা** - এগ্রিকলচরেল লমনা কোয়শিনবা একর ০.১৭ পাক-চাওবা ইঙ্খোলগী ঈ এম।

| রিজর্ভ মমল | ঈ এম দি | বিদ ইনক্রিমেন্ট এমাউন্ট |
|---|---|---|
| লুপা ৬৫,৫৯,০০০/- | লুপা ৬,৫৫,৯০০/- | লুপা ২৫,০০০/- |

**ঈ-ওক্সন ৱেবসাইটকী মমিং** - https://centralbank.auctiontiger.net/
**ঈ-ওক্সনগী তারিখ অমসুং মতম :** ০৭/০৪/২০১৮, নুংথিল পুং ১.০০ দগী পুং ২.০০ ফাওবা, য়োনবা লোইদ্রিফাওবা মিনিট ৫ গী মতম মথন্তা শাংদোক্কনি।
**ঈ এম দি রিমিটেন্স একাউন্ট দিটেলস :** এ/সী নম্বর : ৩০০৮৯২৯১০৩, এ/সীগী মমিং : রিজনেল ওফিস গুৱাহাটি এক্সপেন্সেস এ/সী, বেনিফিসরিগী মমিং : সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, IFSC কোদ: সী বি আই এন ০২৮৩২২৯
**বিদ্দরশিংগী ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন অমসুং ঈ এম দি রিমিটেন্সকী অরোইবা তারিখ : ০৫/০৪/২০১৮ নুংথিলগী পুং ৪:০০ ফাওবা**

**ঈ-ওক্সনগী টার্মশিং অমসুং কন্দিসনশিং**

১. ঈ-ওক্সন অসি **''লৈরিবা পোৎশক্তুমক য়োনবদা লৈবা''** অমসুং **''লৈরিবা ফীভমদা পোৎ য়োনবা অমসুং লৈবা''** গী মওংদা য়ুন্ফম ওই।
২. ওথোরাইজ ওফিসরনা খঙবা অমসুং ফংবা ইনর্ফোমেসনগী মতুং ইন্না প্রোপর্টিদা ইনকমব্রেন্স অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক বিদ্দর ওইনিংবশিংনা প্রোপর্টিশিংগী ইনকমব্রেন্সশিং, টাইটলগা মরী লৈননা লন্নাই ইন ক্বারি তৌজবা অমসুং মশা মশানা পেন্নবা য়েংজবা য়াই।
৩. মায় পাক্লবা বিদ্দর ওইরে হায়না লাউথোক্লবা মীশক অদুনা অসুম্না লাউথোকপগী **পুং ২৪ গী মনুংদা** মহাক্না লৈবগী শেনফম (ঈ এম দিগী শেনফম কক্লগা) অদুগী চাদা কুন্দমঙা (২৫%) এন ঈ এফ টি/আর টি জি এস/দি দি/কেসকী খুথাংদা মথক্কী এ/সিদা দিপোজিট তৌগদবনি অমসুং **অসিগুম্বা দিপোজিটসি তৌদ্রবদি, সেলদু কেন্সেল তৌগনি অমসুং ঈ এম দি মৎকনি**। লৈবগী শেনফমগী ৱাৎহৌরিবা এমাউন্ট (৭৫%) অদু মায় পাক্লবা পর্চেজর অদুনা প্রোপর্টি য়োনবা তারিখতগী অসিগুম্বা নুমিৎ থাদনা ১৫ নিশুবা নুমিৎতা নৎত্রগা মমাঙদা পীগদবনি। **অপীবা মতমগী মনুংদা পেমেন্ট তৌদ্রবদি,** মায় পাক্লবা বিদ্দরনা দিপোজিট তৌবা ঈ এম দি/এমাউন্ট মৎকনি অমসুং প্রোপর্টি অদু অনৌবা সেল নোটিস থোক্লগা অমুক হন্না য়োনগনি।
৪. ঈ এম দি দিপোজিট তৌখ্রবা অমসুং লোগিন আই দি অমসুং পাসৱার্দ শেম্বা, দাটা অপলোদ তৌবা, বিদ সবমিট তৌবা, ঈ-বিদ্দিং প্রোসেসকী ট্রেনিং অসিনচিংবগী মতেং চঙগদবা বিদ্দরশিংনা এম/এস ঈ-প্রোক্যুরমেন্ট টেক্নোলোজিজ লিমিটেদ হেল্পলাইন নম্বর ০৭৯-৪১০৭২৪০৮/০৯/১০ হেল্পলাইন মেল আই দি - **assam@auctiontiger.net** নৎত্রগা শ্রী কে রাজু মোবাইল নম্বর ০৯০০২৭১৫০৩৪ দা কন্টেক্ট তৌবা য়াই অমসুং প্রোপর্টিগা মরী লৈননা ৱাহং হংনিংলবদি চীফ মেনেজর কম ওথোরাইজ ওফিসর, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, মোবাইল নম্বর ০৮৭৯৪৭৪১৬৮০, ঈ-মেল আই দি **bmguwa1680@centralbank.co.in** দা থবক তৌবা নুমিৎশিংগী ওফিসকী মতম মনুংদা ০৫/০৪/২০১৮ দা নৎত্রগা মমাঙদা কন্টেক্ট তৌবা য়াই (**অকুপ্পা টার্মস এন্দ কন্দিসন্সকীদমক্তা ৱেবসাইট https://centralbank.auctiontiger.net/** তা য়েংবীয়ু)

**তারিখ অমসুং মফম : ০১/০৩/২০১৮, ইম্ফাল,** **ওথোরাইজ ওফিসর, সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া**

HL-P/5031/02